# রোবিন্দ্রোগী মীশি চিংননিঙাই ওই, মীয়াম্না অচুম্বা থিদোকপদা মতেং পাঙবীয়ু ঃ ইমুং মনুং

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ৭ ঃ হৌখিবা আগষ্ট ৫দা য়ুমদগী থোকখ্রগা মথংগী নুমিত্তা শিনা ফংখিবা লাইরেঞ্জম অৰাং লৈকাইদগী ৪ শুবা আই আর বিগী পার্সোনেল খোইস্নাম রোবিন্দ্রোগী মীশি অসি চিংননিঙাই ওই। মীশি অসিগী মতাংদা অচুম্বা থিদোকপদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ু হায়না লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লৈখিদ্রবগী পোকমিন্নবা ময়াম্বা খোইস্নাম খিরেননা পাউমীশিংদা হায়, হৌখিবা আগষ্ট ৫গী নুমিদাংৰাইরম পুং ৪.৩০ রোম তাবা মতমদা লৈকাই অদুমক্তদা লৈমিন্নবা খুম্বোংময়ুম মোমো সিংহ (৩৩) অপোকপা রাজমনি কৌবা মমান্নবা অমনা রোবিন্দ্রোবু য়ুমদগী কৌথোক্লগা এক্তিভা অমদা পুন্না চৎমিন্নখিবনি।

নুমিৎ অদুগী নুমিদাং পুং ৭ খরা হেল্লকপা মতমদা মহাক্কী লোয়নবীনা তেলিফোন তৌবদা মহাক হল্লক্লগনি হায়রমখি। অদুবু মদুগী মতুং তারকপদা ফোন স্বিটচ ওফ লৈখিদবগী ফাওনবা ফংখিদে।

নুমিৎ অদু য়ুমদা হল্লক্তবদগী থিনরিঙৈদা মথং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৭ লোম তাবা মতমদা মহাক ওইনাম দাম ময়াদা ৰান্থরগা লৈরে হায়না পাউ পীরকপদগী ইমুং মনুং চঙলুবা মতমদা মফম অদুদা লৈরমখিদে। তুংদা লিল্লোং পুলিসতা চত্তুনা হংলুবদা মহাক্কী হকচাং অদু ৰাঙ্গোই সি ঐচ সি ৰাঙ্গোইদা লৈরে হায়রকপদগী মফম অদুদা চৎমিন্নখি। লোয়ননা মহাক শিরগা লৈরমখিবনি।

মহাক মতৌ করম্না শিরিবনো হায়বগী লংলা লংজিন থিরুবা মতমদা মোমোগা মহাক লিল্লোং দাম মনাক্তা লৈবা য়ুম অমদা নুমিদাং পুন্না চঙমিন্নরম্মী হায়বা খঙবা ঙস্লে। মফম অদুদা মখোয় অথেংবা ফাওবা লৈখি। নুমিদাং অথেংবদা রোবিন্দ্রোগী হকচাং ওইগনি চিংনবা করিগুম্বা পোৎশক অমা মোমো অমসুং মশক খঙদবা লুঙ্গি শেৎপা মীওই অমনা পল্লগা তুরেল মপান ফাওবা পুথোরকপা মনাক নকপদা লৈবা মীওইশিংনা উহৌবগী পাউ ফংলে।

তুংদা রোবিন্দ্রো ৰাখল তারক্তুনা মনাক নকপা য়ুম অমদা চঙলম্বগী পাউসু ফংই। ইমুং অদুগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা মহাক য়াম্না ৰারে, ঙাইহাক্তং পোথাগে হায়না হায়বদগী পোথাহনখি। নোংঙানলমদাইদা মহাক শ্বর ফুনবগী মওংদা ইক ইক তৌরকদগী লেকথরকপদগী সি ঐচ সি ৰাঙ্গোইদা পুখৎত্তুনা লায়কন্নবা হোৎনখি হায়না ফোঙদোক্লকখি হায়রি।

লৈখিদ্রবা রোবিন্দ্রোগা চৎমিন্নখিবা মোমোনা করিগুম্বা ৰাফম অমত্তা হায়রদ্রিবা করিগীনো? মহাকপু তুরেল মপালদা করিগীদমক লংথোক্লিবনো, রোবিন্দ্রোদা করি পোৎশক পীজখি, নম্ফুদা মহাকপু হাৎনবা কনাগুম্বা খরগা লৌতুনবা লৈব্রা হায়বগী চিংনবা লৈ হায়খি।

মরম অসিনা মীশি অসিগী মতাংদা অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্লবদা হোৎনবদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ু লোয়ননা মরাল লৈবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌবিয়ু হায়না ফোঙদোকখি। লোয়ননা শামুরৌ ওইনাম দাম মনাক্তা লৈরিবা ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংনসু অশেংবা লংলা লংজিন ফংনবা হোৎনবদা মতেং পাঙবীয়ু হায়না আপীল তৌখি।

**লমায় ১ গী মখা**

## কন্সটিট্যুসনগী ১২শুবা সেদ্যুলগী প্রোভিজনশিং ...

স্কুলদা লেকচরর ওইরম্বা নাগামপালদগী চোংথাম নিমাইনা পিটিস্নার ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা য়াওরিবনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদা মিনিষ্ট্রি ওফ হাউজিং এন্দ অর্বান দিভলপমেন্টকী সেক্রেটরী, ষ্টেট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদা কম্মিস্নার (মাহুদ), এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরী (জিএদি) অমসুং দাইরেক্টর (মাহুদ)নি।

কেস অসি ২০১৬তগী লিশাংশীৎনা চখরক্লবা মতুংদা ঙরাং দিভিজন বেঞ্চতা লিষ্ট তৌরগা লৌখৎখি। পিটিস্নারগী মায়কৈদা লেপখিবা সেনিয়র এদভোকেট নামৈরাকপম জোটেন্দ্রোনা পিটিসন অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ৰাফমশিং কোর্টতা ফোঙদোকখি। কোর্টনসু রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী ৰাফম তারবা মতুংদা ৰাকৎলক্লিবা থবকশিংসি থা ৬কী মনুংদা আইএমসিদা খূৎশিন্নদুনা থবক ওইনা পাঙথোকহন্নবা ওর্দর পীখি।

পিটিসন অসিনা ৰাকৎলিবনা মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ এক্ট, ১৯৯৪গী সেক্সন ৩৬ অমসুং মসিগী সেদ্যুলশিংনা পীবা প্রোভিজনশিং লৈজে। এক্ট অসিগী মথক্তা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী ৭৪শুবা এমেন্দমেন্ট এক্ট, ১৯৯২গী ১২ শুবা সেদ্যুল (আর্টিকল ২৪৩-দব্লিয়ু)না পীবা প্রোভিজনশিং লৈজরি।

অদুবু প্রোভিজনশিং অসিগী মখাদা পীরিবা থবকশিং অসি ষ্টেটসিদদি হাউজিং এন্দ অর্বান দিভলপমেন্ট (মাহুদ)না পায়শিল্লি অদুগা মখোয়নসু থবকশিংসি পাঙথোক্তে। আইএমসিদসু খূৎশিন্নদে হায়বসিনি।

অদুগা এক্ট অমসুং সেদ্যুল অসিনা পীবা প্রোভিজনশিংগী মখাদা আইএমসিনা পাঙথোকচগদবা থবকশিংনা ইকোনোমিক অমসুং সোসিয়েল দিভলপমেন্টকী প্লন্নিং তৌবা, লম্বী অমসুং থোং শেম-শাবা, পব্লিক হেল্থ, সেনিটেসন কঞ্জার্ভেন্সি অমসুং সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট, ফায়র সার্ভিস, অর্বান এন্দ পোর্বটি এল্লিগেসন, কলচরেল, এজুকেজস্নেল অমসুং এসথটিক এসপেক্টশিং প্রমোসন তৌবা, শা-ষণগী ঈশিং থকফম পুখ্রি শেম্বা, শা-ষণশিংবু তাথি তাওইনা তৌবগী মায়োক্তা থবক পায়খৎপা, পোৎলোইফম মফম চানা থম্বা অমদি ইলেক্ট্রিক্ট ক্রিমেটোরিয়ম থম্বা, শা হাৎফমশিংদা রিগুলেসন থম্বনচিংবা য়াওরিবনি।

## বিজেপিগী মমায় শবাক ফাক্লে ঃ সিপিএম

লোয়ননা বিজেপি নত্তনা অতৈ পোলিটিকেল পার্টিশিংনসু শৌগৎলি।

অমরোমদা সরকার লুচিংলিবা বিজেপিনা য়ুনিভর্সিটিদা রাজনিতি পুশিন্নবা হোৎনৈ হায়না অতোপ্পদা মরাল শীনবা হোৎনরি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা য়ুনিভর্সিটিগী অকোইবদা লৈবা ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংনা মীয়ামগী লুচিংবশিংগা লোয়ননা খোঙচৎ অমা চৎনবা পার্মিসন নিবদা সরকারনা পীরকখিদে। অদুবু ঙরাং কনানা শীনবনো খঙদবা মওংদা অতাক অফোঙননা বিজেপিগী থৌমীশিংনা শীনবা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎহনখি। মদুসু মণিপুর পুলিসনা চেকশিন্না ঙাক শেনখি।

নাকল অমরোমদা য়ুনিভর্সিটি কম্যুনিতিনা দিমোক্রেটিক ওইনা সিট ইন দিমোষ্ট্রেসন চখবদা থিংবতা নত্তনা খনখিবা অমসুং শীজিন্নখিবা পোৎচৈশিং অহিংদা হুরাল লানাদা থুদেকখি অমসুং থুগাইখি। অসিদসু নত্তনা থা অমা ছুটি লৌখ্রে হায়না ময়ামদা লাউথোক্লিবা এ পি পান্দেদি ছুটি লৌবগী মহুৎতা নাগালেন্দগী জখমাদা লৈবা সেন্ট জোসেপ কলেজ অসি ওটোনোমস কলেজ ওইবা য়াগদ্রা হায়না য়েংশিনবা য়ুজিসি টিমগী লুচিংবা ওইরম্লে অমসুং মফম অদুদা চৎতুনা য়েংশিল্লুবগী পাউ ফোঙনরক্লি।

অশুক চাওনা মীনম্বা অসি সেন্টর অমসুং ষ্টেট সরকারনা করি অরোনবা খূজিল থৌরাং চখরিবনো হায়বসি ৰাহং অমা ওইরক্লে। সিপিআই (এম)না ৰাখল মান্নবা পার্টিশিং, লনাই লূপশিং অমসুং মীওই কয়াগা খূৎশম্নদুনা য়ুনিভর্সিটি অসি কন্নবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি। লৈঙাক অসিগী লিচৎ তুকৎচনিংঙাই ওইরে। মীয়াম্না লিচৎ অসিগী মায়োক্তা অমদি এপি পান্দেগী মথক্তা কম্মিসন ওফ ইনক্বারি এক্ট ১৯৫২গী মখাদা ইনক্বারি কম্মিসন শেমদুনা থিজিন্নবা অমদি থিজিল্লিঙৈ মতমদা মহাক্ মশামক মণিপুর থাদোক্তুনা চৎপা য়াহন্দবা হায়বা দাবি অসিদা পুনশিন্দুনা থেংনবদা শরুক য়াবিয়ু হায়নসু মখা তানা অপিল তৌরি।

## রিপোর্ট পীখৎলক্লে, কাউন্টর ফাইল তৌরনি

এমদিএসকী মকোক থোংবা থৌপুবশিংগী মথক্তা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী সেক্রেটরী (প্লানিং) ডা. টিঐচ সুনিন্দ্রোনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা রিপোর্ট তৌরকখিবদগী পুলিসনা হৌখিবা চহী ২০১৭গী সেপ্টেম্বর ১গী নুমিদাং পুং ৭ তারকপদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরগা লৌখৎখিবনি।

কেস অসিগী এফআইআর নম্বরনা ২৪৪(৯)২০১৭নি। কেস অসি প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, ১৯৯৮গী সেক্সন ১৩(২) অমসুং ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ৪২০, ৪০৬, ১২০বিগী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

কেস অসিদা এক্যুইজশিং ওইনা চার্জ তৌরিবনা সোসাইটি অসিগী চেয়ারমেনশিং ওইরম্বা নবকিশ্বর, দিএম পুনিয়া, প্রোজেক্ট দাইরেক্টর ওইরম্বা য়াম্বেম নিংথেম অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসার এম রঞ্জিৎনি।

পুলিসনা কেসসি লৌখৎলদুনা চেন্নরিবা এক্যুইজশিং অসিগী য়ুমদা রেইদ তৌদুনা থিজিনবা হৌরকপদগী একুইজশিং অসিনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা হায়জরকপদগী কোর্টসিনা প্রি-এরেষ্ট (এন্টিসিপেটরি বেল) পীদুনা লৈরকখিবনি।

ঙসি কোর্টসিগী চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম শুধাকরগী বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ৫৭, ৫৮, ৫৯, ৬০, ৬১ অমসুং ৬২দা বেল পীটিসনশিংসি লিষ্ট তৌদুনা খন্নখি। ঙসি কোর্টনা লৌখৎখ্রিবা মেটরশিং অসি এক্যুইজশিং অসিদা পীখ্রিবা এন্টিসিপেটরি বেলশিংসি রিজেক্ট তৌগদ্রা নৎত্রগা এবসোলুট (রিগুলর) বেল ওইহনগদ্রা হায়বগী মতাংদা হিয়ারিং পাঙথোক্লুবনি।

অদুবু কোর্দনা কেসশিং অসি লৌখৎলকপদা রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিবা পুলিসকী মায়কৈদগী এক্যুইজশিংসিদা পীখ্রিবা বেলশিং অসিগা মরী লৈননা এফিদেবিট (রিপোর্ট)শিং সবমিট তৌরক্লে হায়বা ৰাফম ফোঙদোক্লরকখি।

ৰাফমসিদগী এক্যুইজশিং অসিগী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলশিংগী মায়কৈদগীসু পুলিস এফিদেবিট অসিগী মতাংদা মখোয়গী মায়কৈদগীসু কাউন্টর এফিদেবিট শিং সবমিট তৌনবগী মতম পীবিনবা হায়জরকপদগী কোর্টনা মতম পীখি।

## চেন্নবা এমএলএ অনী ফাদ্রি ঃ এনআইএ

... ওফ পুলিস (এসপি) ভিবেকানন্দ দাস, আইপিএসকা পাউচেসিগা টেলিফোনদা শান্নখিবা ৰারীদা মহাক্কী মায়কৈদগীদি মসিগী মতাংদা ৰাফম অমত্তা ফোঙদোকপা য়াদ্রি। মিনিষ্ট্রি ওফ হোমগী মায়কৈদগীসু করিমত্তা হায়দোক্তনবা পাউতাক পীরকপা লৈ হায়রকখি।

মহাক্কী মথংদা পাউচেসিনা এমএলএ অনীগী য়ুম অমসুং ক্বাটরদা চখখিবা রেইদতা য়াওখিবা হৌজিক্লা ইম্ফালগী লম্ফেলপাৎতা লৈবা এজেন্সি অসিগী ওফিসতা কেম্প তৌদুনা লৈরিবা এনআইএ (গুৱাহাতি)গী দিপ্যুতি শুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (দিএসপি) অমগা (মমিং পঞ্জদ্রে) টেলিফোনদা অমুক ৰারী শান্নখি।

থৌদোকসিদা চেন্নবদগী কেস অসিগী একুইজশিং ওইনা চার্জ তৌরবা এমএলএ অনীগী মনুংদা য়ামথোং হাওকিপন রেইদ চখরিঙৈ মনুংদা রিমস রোদতা লৈবা স্কাই হোস্পিটালদা এদমিট তৌখিবনি। মহাক থবাক নারকপগী মথক্তা হান্নদগী দাইএবেটিক্কী টাইপ টুগী পেসেন্ট ওইরকখিবনি।

ইম্ফালগী হোস্পিটালসিদগী মহাক্কী ফিভম লুশিল্লকপদগী ন্যু দিল্লিগী ফোর্টিস এস্কোর্ট হোস্পিটালদা পুদুনা লায়কন্নখিবনি। হৌজিক মহাক্কী অনাবগী ফিভম করম্বা ফিভমদা লৈরবগে হায়বগা লোয়ননা কেস অসিগা মরী লৈননা ওফিসিয়েল ওইনা বুক তৌরগা মখা তানা লায়েংবগী থবক চখরিব্রা হংবদা ঙসি ফাউবদদি ওফিসিয়েল ওইনা ফাবা লৈত্রি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি মহাকপু স্কাই হোস্পিটালদা লায়েংলিঙৈ জুলাই ৩০, ২০১৮গী নুমিদাং পুং ৯.২০.১৮দা লৈখিবা ইলেক্ট্রোকার্দিওগ্রাম (ইসিজি)গী রিপোর্টতা এবনোর্মেল হায়না দিটেক্ট তৌখিবনি।

অদুগা এমএলএ ঙমথং হাওকিপনা এনআইএনা রেইদ চখদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মণিপুরগী মপান্দা লায়েংবনি হায়দুনা চখোকখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি নোংমৈ মাঙখিবা থৌদোকসিগা মরী লৈননা এজেন্সি অসিনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস নম্বরনা আরসি ০২ /২০১৮ /এনআইএ গুৱাহাটি অন্দর সেক্সন ৪০৯, ১২০বি ইন্দিয়ান পেনাল কোদ অমসুং ২০ য়ুএ(পি) এক্ট, ১৯৬৭নি।

# শাফোঙখিবা নুমিৎকী নীংশিং থৌরম চিংলেম্না পাঙথোকখ্রে ঃ কেসিপি-এমসি (প্রো)

ঙরাংগী মখা...

অসিগুম্বা মাঙলমচৎতা য়েক্লবা কয়ানা খুন্নাই অসিদা পীরকখিবা চৈবি চৈথেং অসিনা মরম ওইৰগা ঙসি ফাওবা য়েলহৌমী চিংমী-তম্মী কয়ানা নীংদোল পোমদুনা তমথিরবা পুন্সি মরেল অমদা হিংদবা য়াদবা অমগুম্না খাঙদুনা লাক্লি। ইপালৈবাক কংলৈপাক লমদম অসিবু নম্ফু শাশনদা য়েক্লবা ইম্প্রেলিষ্ট ইন্দিয়ান গভর্ণমেন্টনা 'মিরেজ এগ্রিমেন্ট' খূৎয়েক পীহন্দুনা মখোয়গী ইরোলনুংদা লুপশিনখিবদগী পেন্দ্রবা ইরৈচা কয়ানা অমুক হন্না য়েক্লবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী তোখাই তানবগীদমক নীংতম লাঞ্জং ঙসি ফাওবদা চঙশিন্নরক্লিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, নীংতম লাঞ্জং কয়া অসিবু নমথদুনা থম্নবগীদমক ইম্প্রেলিষ্ট ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ঙসি ফাওবদা 'আমস্পিসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮ দ্রেকোনিয়ন লো' থমজিন্দুনা মীচম মীয়ামগী থৱাই কয়াবু নোংমৈ চিংদোলদা পীখন্নহনখিবগী অফোঙবা ৰাথোক কয়ানা ৰাই চাইরক্লি। অমদি লমদম অসিবু য়োক্লবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী লেবরেটোরি অমগুম থম্লদুনা মখল মখা কয়াগী ফৎত্রবা থবকশিং চাংয়েং তৌফম ওন্থোরক্লে হায়বদা থোইনা মীয়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইদ্রে।

মথং মথং...

## মীয়ামগী মায়োক্তা অরোনবা পান্থে কয়া চখরক্লি...

ঙরাংগী মখা...

কুমজা ১৯৯০ দগীদি ইরমদম মণিপুরদা হকথেংননা নীংতম য়াওল ঈহৌগী লান অসি নমথবগী থবক পাঙথোকপদা ইন্দিয়ান আর্মি শীজিন্নরম্দু, ময়াং লৈঙাক্ল লমদমসিগী লৈঙাক্কী খুথাংদা মণিপুর ষ্টেটকী ফোর্স মরুওইনা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোশিংবু অচৌবা থৌদাং লৌহন্দুনা শীজিন্নখি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মসিদগীদি কুমজা ১৯৮০ দগীনা কুমজা ১৯৯০ ফাওবগী মতমদা ইন্দিয়ান ফোর্সশিংনা মীওইবগী যৎফম থোকপশিং খোঙ্গাওনদুনা মীচম মীয়ামগী পুন্সি তেমশিনবদুদগী মণিপুর পুলিস কম্মান্দোশিংনা শাথিবা মীনুংশি হৈতনা মীচম মীয়ামগী পুন্সিদা তেমশিনবগী চাংসি হায়নিংঙাই লৈতনা ৰাংখি। ময়াং লৈঙাক্ল মণিপুরগী খক্তনা শাবা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোশিংবু নীংতম য়াওল ঈহৌ অসিবু নমথনবা লাকপশিনবদা হকথেংননা শরুক য়াহনবগী মতমদি মখোয় খক্তনা নীংতম লান্মীশিং থেংনবদা অৱাবা ওইরকপা, খুন্নাই অসিগী য়ুনিটিবু থুগাইহনবা হোৎনরকপা অমসুং ঈ-মশেল ওনশিল্লগা হাৎনহনবা অমসুং মমৈথংদা মখোয়না লানঙ্ম ফিরাল থেংপদুনি।

থৌশিল অসিদা মচিন-মনাওনি হায়বা কাউথোক্লবা, ফম কানিংবগী ঙাওরবা পুলিস কম্মান্দোশিংনি কৈশুমশঙদা চঙগদৌরিবসি। সুপ্রিম কোর্টনা থিগৎপগী য়াথং অসি অঙনবা মতম হায়বদি কুমজা ১৯৯০গী মমাঙদা ইন্দিয়ান ফোর্সনা ফেক ইনকাউন্টরদা খুদম-চাংদম মাঙহনখিবশিংগী য়াল্লবা মীশিং অদুগীদি ঙসি-ঙরাংদা মমি-শামি পল্লক্লি হায়নসু মখা তরি। মথং মথং...

**লমায় ১ গী মখা**

## আই এমগী কাদরনি হায়বা ১ কাপ্তুনা হাৎলম্লে

হান্না এনএসসিএন (কে) য়াওরম্বদগী তোক্লগা আইএমদা য়াওখিবনি। মহাক্লা লুখন্বীদা লৈরগা জেদয়ুএফকী মায়োক্তা পাউ পীথোক পীশিন তৌই হায়না চিংনবদগী কাপ্তুনা হাৎলম্বা ওইরম্লা য়াই হায়না থাজনরি।

## এসেমব্লী মীফম থাসিগী ১০...

অপুনবগী শক্তম অমসুং ঙমখৈদা শিংনরকপা য়াবা ৰাফমশিং য়াওরক্লবদি করি তৌগদগে হায়বগী মতাংদা খন্ননবা পাঙথোক্লদবনি হায়রি।

হৌখিবা জুলাই ২০ দগী ২৩ ফাওবা চখখিবা মীফম অদু লোইরবা মতুংদা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিতিগী রিপোর্ট অদু লাকপা ওইবনা মদু হাউসতা খন্নবগী তঙাইফদবা লাকপদগী অখন্নবা মীফম অসি পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈবদগী মীফম অসি কৌবনি হায়না পাউ অসিনা হায়রি।

মসিগা লোয়ননা মীফম অসিদা তোঙান তোঙানবা হৌজিক ষ্টেট অসিনা মায়োক্লরিবা ইশু কয়াসু খন্নরবা য়াই হায়না পাউ অসিনা হায়রি।

## পর্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরীগী কেসতা...

নম্বর ৯ ওফ ২০১৭ (পিটিস্নার আরকে জয়সনা) পিআইএল নম্বর ১০ ওফ ২০১৭ (পিটিস্নার এমদি সবির অহম্মদ), পিআইএল নম্বর ১৬ ওফ ২০১৮ (পিটিস্নর আরকে জয়সনা) অমসুং দব্লিয়ুপি (সি) নম্বর ১২২ ওফ ২০১৮নি।

কোর্টসিগী দিভিজন বেঞ্চসিদা পুল্লপ লিষ্ট তৌখিবা কেসশিং অসি লৌখৎলদুনা মখা তাবা থবকশিং পায়খৎপা হৌরকপদা কেসশিং অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট জেনরেলনা অপুনবা কেস তরুকসিগী মনুংদগী কোর্টসিদা অনৌবা কেসশিং ওইরিবা দব্লিয়ুপি (সি) নম্বর ৩১৭ ওফ ২০১৮ অমসুং পিআইএল নম্বর ১৬ ওফ ২০১৮গী মতাংদা কাউন্টর এফিদেবিটশিং পীশিন্নবগী মতম পীবিনবা হায়জখি।

কোর্টনসু এজিগী ৰাফমদা অয়াবা পীরদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী কাউন্টর এজিটেটিবশিং পীশিন্নবগী মতম পীখিবগা লোয়ননা কেসশিং অসি পাঙথোক্লদবা মথংগী নুমিৎ লেপখি।

পনবা য়াবদি গভর্ণমেন্টসিনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরীশিং ওইনা হাপচিল্লুরবশিংদি লৈশাংথেম শুসিন্দ্রা (য়াইমা), সোইবম শুভাসচন্দ্র, লৌরেম্বম রামেশ্বর মীতৈ, এন ইন্দ্রজিৎ, কোঙখাম রোবিন্দ্রো, থোকচোম সৈত্যবর্ত্ত, হৈখাম দিঙ্গো, এমদি অসবউদ্দিন, খাসিম ভাশুম, কে লৈসিও, অৱাংবৌ ন্যুমাই অমসুং ডা. সাপম রঞ্জননি।

## ৰাথোক চাওথোরকপগী ফিভমদা...

হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী য়াথংদগী এময়ুগী রেজিষ্টার ইন চার্জ এম শ্যামকিশ্বরনা এপি পান্দেগী ছুটি পীবগী ওর্দর থোকখ্রে। অদুগা ঙরাং নাগালেন্দদা কজেল অমা ওটোনোমস ষ্টেটস পীবা য়াগদ্রা হায়না য়ুজিসি টিম অমা লুচিংদুনা লাকখিবা অদুনা হেন্না চম্মন্নবা পোকহল্লে। ময়োল লমগী মীওইশিংনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংবু করিসু খঙদবনি, অপঙবনি হায়না খনবগুম তৌবসি নুংঙাইতে। সরকারনদি পান্দেনা ছুটি লৌখিবদি ফোর্স লিভনি, ফেক্ট ফাইন্দিং কমিতিদা মতেং ওইগনিসু হায়রি। অদুবু রুলগী মতুং ইন্নদি ছুটিদা লৈরিবা ভিসি অমনা য়ুজিসিগী টিম অমগী চেয়ারমেন ওইবসি য়াদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ভিসি ইনচার্জ ওইনা ফমদি লৌখ্রবা প্রো দল্লীয়ু বিশ্বনাথ য়ুনিভর্সিটি কম্যুনিতিনা তাল্লিবা পান্দম ফঙদ্রিবা ফাওবা ওফিসিয়েল ৰার্ক তৌরোই হায়খিবা অসিমক্লসু হেন্না চম্মন্নবা পোকহল্লি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ঙরাং সরাকরগী অথিংবা মরক্তা চৎখিবা রেল্লি অদু কনানা শীনখিবনো হায়বদু ময়েক শেংদে। হৌজিক লৈরিবা ইশু কয়া অসিগা মরী লৈননা চঙশিনবা ওইরন্নবদি য়ুনিভর্সিটি কম্যুনিতিনা হেন্না থাজরমগদবনি।

## থিকা তৌবা এমএলএশিংগী পোৎ...

অদুবু ভিসি অমদি মহাক্কা লোয়নবা এমএলএ খরা এময়ুদা থিকা তৌরিবা অসিসু তোকপীয়ু নৎত্রবদি এমএলএশিং অদু মতম খরগী মতুংদা মীয়ামদা মমিং মথা খঙহল্লগনি।

## ভোট মমাঙগী ৰা ঙাক্লা চৎপিয়ু ঃ জেএসি

জেএসি অসিনা চঙশিল্লিবা দিমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং অসিবু লান্না উহন্দুনা থৌমীশিং ফানবা হোৎনবা অসি লৈঙাক্কী মথোঙ হুক্তবা থৌওংনি হায়খি। লৈঙাক অসিনা হায়দোকখিবা ৰা ঙাক্লা চৎপীয়ু, খোঙজং অসি কুইনা চঙশিল্লক্লবদি পামদবা থৌদোক কয়া থোরকপা য়াই হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ঈশিংদা তারগা শিরম্লে

মতম খরগী মমাঙদগী ৰাখলদা মীমান্নরক্তবনি। থা অসিগী ৫দা ময়ুমদগী থোকখিবদগী থিফম খঙদনা লৈরকখিবনি হায়রি। মহাক্কী অশিবা হকচাং অদু ককচিং পুলিসকী টিম অমনা লৌখৎলগা পোষ্ট মোর্টেমগীদমক জেনিমস মোর্গতা থমখ্রে হায়রি।

# ক্লিনলিনেস দ্রাইভকী সিগ্নেচর কেম্পেইন চখগনি

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ৭ ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর অমসুং মসিগী অকোয়বা মফমশিং লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিবু তরু তানননা থম্নবগী পান্দমদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা হয়েং সিগ্নেচর কেম্পেইন অমা চখগনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দিপ্যুটি কম্মিস্নার টি ঐচ চিত্রা দেবীনা ঙসি থোকখিবা নোটিস অমগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা হৌজিক চখরিবা লম তু শেঙদোকপা অমসুং তরু তনান্না থম্নবা কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা দি সি ওফিস কমপ্লেক্স ইম্ফাল ইষ্টতগী হৌরগা অনন্দসিংহ একাদমী ক্রোসিং তাবা লম্বী, মফম অদুদগী নিউ চেক্কোন ক্রোসিং ফাওদুনা থাঙ্গাল জেনরেলগী খুভম লৈরিবা মফম অদু য়ৌরবা মতুংদা নোংপোক পাঙনা নোংমৈবুং ফাওবা লাক্লবা মতুংদা মফম অদুদগী অনন্দ সিংহ একাদমী ক্রোসিং ফাওবা চৎলবা মতুংদা হান্নগী লম্বীদা কেম্পেইন অসি চখগদবনি। অসিগুম্বা সিগ্নেচর কেম্পেইন অসিদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীদুনা মায় পাকহনবীনবা আপীল তৌখি।

অমরোমদা হৌখিবা আগষ্ট ৪ দগী হৌদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মখাদা চখরকপা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর লু নান্না থম্নবগী কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু দি সি ওফিস ইম্ফাল ইষ্ট তাবা লম্বী অসি এস পি ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসারশিংগা লোয়ননা শেঙদোকপগী থবক চখখি। লোয়ননা মখা তানা লম তু শেংদোকপগী খোঙজং অসি চঙশিনখিগনি হায়রি।

**লমায় ১ গী মখা**

## পান্দেনা জখামাদা কলেজ য়েংশিনখ্রে

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সি এ পি পান্দেনা লুচিংবা টিম অদুনা হৌখিবা আগষ্ট ৫ অমসুং ৬ তা জখমাদা লৈবা সেন্ট জোসেফ কলেজ অসি ওটোনোমস ষ্টেটস পীবা য়ারব্রা হায়বদু য়েংশিন্নবগীদমক লাকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা হৌজিক ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিকী ৰাথোক অসিগা মরী লৈননা মহাক্কী মথক্তা হৌখিবা জুলাই ১৭দা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপমেন্টকী মখাদা শেমখিবা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিতি অমনা মহাক্কী মথক্তা থিজিনহন্নবা মিনিষ্ট্রি অসিগা পাউ চৎনরবা মতুংদা এ পি পান্দেবু থা অমা ছুটি পীথোক্লবা ওর্দর এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার ইন চার্জনা থোকখিবনি।

মহাক্কী মথক্তা ইনক্বারি তৌনবা ছুটি পীথোকখিবা মীওই অমা করম তৌনা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসনগী টিম অমা লুচিংদুনা নাগালেন্দদা লৈবা কলেজ অমদা ইনপেক্সন চৎলিবনো হায়না শক্লাইরবা পোলিটিসিয়ান অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগী মতাংদা পোলিটিসিয়ান অসিনা হায়, হন্দক মহাক্কী ছুটি পীবগী মওং অসিদা য়াম্না ঙক্লিবদি মহাক্কী লিভ ওর্দর অদুদা মহাক্কী মথক্তা ইনক্বারি চখবা নৎত্রগা এম য়ুগী ৰাথোক অসিগা মরী লৈননা লিভ পীবগী ৰাফম করিগুম্বা অমত্তা পন্দবা অসিনা হান্নদগী লিভ খূৎপী অসিদা চিংনবা ফাওনরিবনি।

মদুমত্তঃনা য়ুনিভর্সিটি কম্যুনিতিগী মায়কৈদগী ভি সিদা লিভ পীরবা ফাওবদা খোঙজং হন্দাক্তবা ওইরমগনি হায়খি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লিভ পীরে হায়রবসু লিভতা লৈরিবা মীওই অমনা য়ু জি সিগী টিম লুচিংদুনা ইন্সপেক্সন চৎলম্বা অসি ফিভম অসিদা ঙক্লিঙাই ওইদে হায়খি।

ৰাফম অসিগী মতাংদা এমপি সিসগী এময়ুগী ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিতিগী চেয়ারমেন জাইখাঙমনা হায়, চখরিবা মওং অসি য়াম্না কন্দেম তৌনিঙাই ওইবা থৌওংনি।

চখরিবা থৌওং অসি সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা, সাসন তৌরিবা ভি জে পি গভর্ণমেন্টনা মণিপুর মীয়াম্বু করেম কথাইনবনি হায়না লৌদবা ঙমদে।

গভর্ণমেন্ট অসিনা মহৈরোইশিংগী পুন্সিবু শান্নপোৎকুম লৌই হায়বা ময়েক শেঙলে। মসিনা ৰাথোক অসি লোইশিনবগী মহুত্তা হেন্না চাওথোক্লবা মচাক ওইগনি।

মণিপুরবু পীকই হায়বগী মতাগুম অসুম্না তৌবা অসি খোই মহুমদা চৈনা থিনবগুম থোক্কনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

## কমদৌনা ছুটি পিবনো ঃ সি পি আই

এল সোটিনকুমারনা হায়, নুমিৎ ৬৮ নি শুরবা এম য়ুগী ইরাং অসি হৌজিক লোইশিনবগী ফিভম উবা ফংদে।

ৰাথোক অসি নুমিৎ ৪৫ শুরকপা মতম ফাওবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা করিগুম্বা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎখিদে। গভর্ণমেন্টনা মহৈরোইশিং, ওজাশিং অমসুং ষ্টাফশিংনা তাল্লিবা দিমান্দশিং অদু খঙবীরল্লবদি হৌজিক ইরাং থোক্লিবা অসি থোক্লমদবা য়াই।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা থৌনা লৈনা মীয়াম্না য়াদ্রবা ভি সি অসি লৌথোক্লবা সেন্টরদা তক্লবা ঙমদবা অসি ইকাইনিঙাইনি। ৰাথোক অসি লৈরিঙৈগী মরক অসিদা ঙরাং বি জে পিগী ৰার্কর কয়া অমসুং অনেকপা ইমা ইবেলশিং গারী কয়াদা পুরক্লগা অথিংবা হুকুম থুগায়বদা করিমত্তা হায়দনা রেল্লি চৎহনখিবা অমসুং এম য়ুগী গেটতা ৰাকৎ মীফম ফমহনখিবা অসি লাইবক থিবনি।

হৌজিক মহাক্কী মথক্তা থিজিন্নবগী ছুটি পীখিবা এ পি পান্দেনা মতৌ করম তৌনা আগষ্ট ৫দা সেন্ট জেসেফ কলেজ জখমাদা য়ু জি সিগী টিমগী চেয়ারপার্সন ওইনা ইন্সপেক্সন দা য়াওরম্বা অসি করম তৌরিবনো। মহাক্কী ছুটি পীবগী মওং অসি করম তৌবনো হায়বদু শেঙদোক্কদবনি হায়খি।

ৰাফম অসি সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা হকচিন্না লৌই। হৌজিক সাসন তৌরিবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অসি খ্বাইদগী থবক ঙমদবা গভর্ণমেন্ট অমনি হায়বদা লাল্লোই হায়খি।

গভর্ণমেন্ট অসিগী মওং মতৌ অসিদা য়েংলগদি সেন্টরনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মতুংইন্না ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭১(এ) অসি মণিপুরদা চৎহনলকপদা করিসু হায়বা ঙম্লোই হায়না লৌই হায়খি।

মীখল মমাঙদা ষ্টেট অসিদা নোংমা কাঙদনা লাক্লম্বা সেন্তরগী মিনিষ্টরশিং হৌজিক ইশুনা চয়োম শানা লৈরবা মতম অসিদা করিগীদমক লমদম অসিদা লাক্তবনো হংখি। ভোট ফংনবা লাওরম্বা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং হৌজিক উবা ফংখিদ্রে হায়খি।

ভি সি অমা কনখৎনবা হোৎনবদা মণিপুরগী মহৈরোইশিংগী পুন্সি মাঙহন্নবা সেন্তরনা হোৎনবা অসি লাইবক থিবনি হায়খি। লোয়ননা ঙরাং এম য়ুগী থৌদোক্তা মহৈরোইশিংদা পুলিসনা ওনশিন্দুনা টিয়ার গ্যাস কাপশিনবদা মীওই ৭ শোকহনখিবা থৌদোক অদু সি পি আইনা কন্দেম তৌই হায়খি।

## ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টগী মতাংদা ফিরেপ খঙহল্লু হায়না ...

লম্ফেলপাৎতা লৈবা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর(য়ুসিএম)গী ওফিসতগী লূপ অসিগী অমদি অতৈ নুপী লূপ কয়াগী মশীং য়াল্লবা ইমা-ইবেলশিংনা লাক্তুনা নাওরেমথোংদা লৈবা দিপুটি চীফ মিনিষ্টর ৰাই জয়কুমারগী ময়ুমদা থোমজিনলকখি। অদুবু মফমদুদা হান্ননা ঙাক শেন্দুনা লৈরম্বা পুলিস টিম অমনা থোমজিলকখিবা ইমা-ইবেলশিং অদুবু দিপুটি চীফ মিনিষ্টরগী য়ুমগী গেট ময়াদা থৎলগা থমখি।

পুলিসকী অথিংবা মরক্তুদা থোমজিল্লকখিবা ইমা-ইবেলশিংনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই, অথুবদা স্পিসিয়েল এসেমব্লি সেসন ফম্লগা এমএলএ ৬০না মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাক্লবা ফিরেপ লৌ, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কাংলূপ থৌওং চখবা লেপ্পু, ঙমখৈ ঙাকপা ঙমলোইদবা ওইরবদি এমএলএ ৬০ ফম থাদোকউ হায়বা খোল্লাও কয়া লাওশিনখি। তুংদা লূপ খরগী লুচিংবীশিং ইমা-ইবেল খরনা দিপুটি চিফ মিনিষ্টর উন্নরগা মেমোরেন্দম পিশিন্নবা হোৎনখি। অদুবু দিপুটি চীফ মিনিষ্টর লৈরমদবদগী মহাক্কা নক্লবা মীওইশিংদা পোইন্ট ৪ য়াওবা মেমোরেন্দম অদু পিশিনলমখি।

মফমদুদগী থোরক্লগা কংলাপার্ক পরিংদা লৈবা মিনিষ্টর শ্যামকুমারগী ক্বাটরদা অমুক থোমজিনলকখি। মফম অদুদসু পুলিসনা ঙাক শেন্দুনা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলম্বগা লোয়ননা ইমা-ইবেলশিং অদু মিনিষ্টরগী গেটতা থৎলগা থমখি। মফমদুদসু ইমা-ইবেলশিংনা খোল্লাও কয়া লাওশিনখি। ইমা-ইবেল খরনা মিনিষ্টরগী ক্বাটরদা চঙখি। মিনিষ্টর লৈরমদবদগী নক্লবা মীওইশিংদা মেমোরেন্দম পিশিনলমখি।

মফমদুদগী অমুক হন্না থোক্লক্লগা মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বাজিৎকী সঞ্জেনথোংদা লৈবা ক্বাটর অমুক থোমজিন্দুনা মেমোরেন্দম পিশিনখি।

ঙসিগী খোঙজং অদুগা মরী লৈননা এমকিলগী প্রসিদেন্ট পিঐচ সখিনা হায়খিবদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম অসি থেংখাং কয়াদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা থুগায়নবা হোৎনদুনা লাক্লি। ইং কুমজা ২০০১গী জুন ১৮দা এনএসসিএন আইএমগী সিজ ফয়ার চৎননবা হোৎনরকপদা মণিপুরগী ঙমখৈ লানশিল্লকপদগী মীয়ামগী ঈহৌদা মীওই ১৮গী পুন্সি পিখমুখ্রবনি।

মরম অদুনা হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী এমএলএ ৬০না ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টগী মতাংদা ফিরেপ লাওথোক্কদবনি। অথুবা মতমদা এশেমব্লি মীফম কৌদুনা ঙমখৈ ঙাক্লবা ফিরেপ লৌদ্রবদি জুন ১৮দগী হেন্না কনবা ঈহৌ লাক্কনি। লোয়ননা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুগী ঙমখৈ থুগায়নবা হোৎনরক্লবদি মণিপুরগী লৈমায়দা বিজেপি অমদি বিজেপিগী লৈঙাকপশিং করম্না হিংদুনা লৈগদগে হায়বসি খন্থবা ফগনি হায়না অকনবা ৰাফম থমখি।

## জাতি অমখক্কী য়েংবা চুম্লোই, কাঙলূপ খায়না থবক...

সব ত্রাইব ময়াম অসি কংগ্রেস পার্টিনদি মরু ওইনা লৌরিবনি।

লমদম অসিদা জাতি অমখক্তা য়ুম্ফম ওইরগা মণিপুর তোখায়না তাহন্নবা হোৎনবীগনু। অসিগুম্বা থৌওং অসি কংগ্রেসনা য়াবা ঙম্লোই। জাতি কাঙলূপ মশেল মরক্তা য়ুম্ফম ওইরগা চৎলগদি মণিপুর কদায়দা লৈগনি। মণিপুরদসু নত্তনা ইন্দিয়া ফাওবা লৈররোই হায়খি।

নাগা ওইরবসু কুকি ওইরবসু, মীতৈ, মীতৈ পাঙলশিং ওইরবসু অমত্তনি হায়না খনবগা লোয়ননা সবত্রাইবশিং অসি পুন্না শকখঙবীবা দরকার লৈ হায়খি।

মহাক্লা হায়, এ আই সি সিগী লুচিংবশিং রাহুল গান্ধি, সোনিয়া গান্ধীনচিংবনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং অমসুং মরিপুর অসি অখন্নবা মীৎয়েং চঙবিরক্লি হায়বসি হন্দক গাইখাঙমবু সি দব্লিউ সি মেম্বর ওইনা হাপ্লকপা অসিনা ময়েক শেঙহল্লে।

গাইখাঙমবু সি দব্লিউ সি মেম্বর হাপ্লকপা অসিনা কংগ্রেস পার্টিদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা জাতি খুদিংমক য়াওবা য়াই হায়বসি ময়েক শেঙহল্লে। হৌজিক্তি লমদম অসিগী ওইবা প্রোব্লেমশিং অমসুং ইশু কয়া অসি এ আই সি সিগী খুথাংদা লৈবাক মীয়ামদা খঙহনবগী খুদোংচাবা ফংলগনি হায়খি।

লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তা কংগ্রেস পার্টিদা থাজবা মীওই কয়া লৈরি। পার্টি অসি প্রেসর অমসুং ৰানোম্বদা চৎপা পার্টি নত্তে হায়খি।

থৌরম অদুদা মহাক্লা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট মতম শাংনা ওইরল্লবা দোনজাকাই গাংতেনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাঙলদুনা সি দব্লিউ সিগী মেম্বর গাইখাঙম্না হায়, পীক্লবা মণিপুর অসি মতম অমদা শকখঙবীরমদবসু ঙসিদি মসিগী মরুওইবা অদু খঙবীরক্তুনা মহাকপু সি দব্লিউ সি মেম্বর ওইনা হাপ্পীরকপদা নুংঙাইবা ফাওই।

অৱাং নোংপোক্তা অসাম য়াওদনা সি দব্লিউ সিগী রিগুলার মেম্বর অহানবা ওইনা খল্লকপা অসিদা নুংঙাইবা ফাওই। সি দব্লিউ সি অসি খ্বাইদগী ৰাংবা দিসিজন মেকিং বোদি অমা ওইবনা মণিপুরগী ইশু কয়া অসি পুখৎনবা খুদোংচাবা ফংলে হায়খি। কংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা সাসন পায়রকপা তারবদি ইশু ময়াম অসি পুখৎনবা খুদোংচাবা অমদি ফংলবনি হায়খি।

অসিগুম্বা খুদোংচাবা অমা পীবিবগীদমক এ আই সি সিগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীবু থাগৎলি হায়খি।

থৌরম অদুদা এম পি সি সিগী প্রসিদেন্ট টি এন হাউকিপনা হায়, এম পি সি সিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা গাইখাঙমবু ইহান হানবা ওইনা সি দব্লিউ সিগী মেম্বর ওইনা হাপ্লকপা অসি নুংঙাইবা ফাওই।

এ আই সি সিনা গাইখাঙমবু সি দব্লিউ সিগী মেম্বর ওইনা হাপ্লকপা অসি য়েংলগা কংগ্রেসনা সাসন পায়রবদি মণিপুরদা শোয়দনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমা হাপ্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

থৌরম অদুদা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা দোনজাকাই গাংতেনা লৈখিদবদা মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।